## হুরাল্লকপনি চিংনবা গারী ৫ ফংলে,দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ তোঙান তোঙনবা মফমদগী দ্রগকা কোন্নবা মীওই কয়া ফারে, হুরাল্লকপনি চিংনবা গারী মচা ৫ রিকোভর তৌখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৌজিক্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা এটেচ তৌদুনা লৈবা কম্মান্দো টিম অমনা ঙরাং অয়ুক ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা জিরিবাম ইরাৱট ক্রোসিংদগী দ্রগ লল্লোনবী নুপী অমনা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ৯৬০০কা কোন্ননা ফারে।

ফারবা নুপী অদুগী মমিং খোলনৈহিং চোংলোই (৪৪) মপুরোইবা ঙমে–খাজাং চোংলোই কৌই। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মোনকোট চেকপু লিটানদগীনি হায়রি।

নুপী পুলিস পার্সোনেলশিংনা মহাকপু চেক তৌবদা টেব্লেটশিং অদু পেকেট ৪৮ থোক্লা য়োল্লগা মশাদা লোৎলগা পুরম্বনি। মহাক জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেল অমদি থৌবাল পুলিসকী কম্মান্দোগী অপুনবা টিম অমনা নুপী অমা ওপিয়ম (কানি) গ্রাম ৮৩০গা কোন্ননা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদা খোঙজোম কৈথেলদগী ফারে। ফারবা নুপী অদুগী মমিং টি তুংসাং (৪০) মপুরোইবা য়াইমা কৌই, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মচি সব–দিভিজনগী খুলসাইবুং পার্ট ১দগীনি। মহাক্কী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা খোঙজোম পুলিস ষ্টেসনদা খূদৎশিন্নখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদনা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডাঃ এস ইবোমচানা লুচিংবা টিম অমনা এন্তি দ্রগ এসোসিয়েসন সঙ্গাইয়ুমফমগী মেম্বরশিংগা পুল্লগা সঙ্গাইমফমগী এরিয়াদা লৈবা চিংনবা য়ুমদা ঙসি নুংথিল নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী ৭.৪৫ রেইদ চথবদা হুরাল্লকপনি চিংনবা গারী মচা ৫ রিকোভর তৌরে হায়রি।

## পার্লিয়ামেন্টতা প্রিভিলেজ মোসন লৌখৎপীনবা চে ইখ্রে ঃ কে ভবানন্দ

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ এম পি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মতাংদা লান্না পাউথোকপীদুনা মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মথক্তা পার্লিয়ামেন্টতা প্রিভিলেজ লৌখৎপীনবা চে ইদুনা হায়জখ্রে। লোয়ননা এম পি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী কন্মিতিগী চ্যারমেন ডা. হর্সবর্ধনদসু অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ফেস বুক য়াওনা সোসিয়েল মেদিয়াদা ইকাই খুম্নবা মাং হন্নবা হোৎনবগী মওংদা চথরক্লিবশিং অসিগা মরী লৈননা চে অমসু ইরগা পীশিনখ্রে হায়না রাজ্য সভাগী এম পি কে ভবানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মসি এম এফ এস দি এসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা বি জে পিগী মেম্বরশিপ দ্রাইভতা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী ষ্টেটকী প্রসিদেন্টে অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি অসিনা হায়, মসিগুম্বা থবক অসি য়াম্না তৌহেদবা থৌদৌনি হায়খি।

মহাক্না হায়, এম পি এল এ দি এফকী মতাংদা সজেসন পীরক্লবা পার্লিয়ামেন্টতগীসু খঙহল্লকপা লৈরিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মসিগী থবক অসি দি সি অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ইঞ্জিনিয়ারশিংনা পায়হনবগী মহুত্তা এম পিশিংদা হকথেংননা শিন্নবীদুনা মোনিটর তৌবা য়াহন্নবা থবক লৌখৎপীনবা তকশিনগদৌরি।

এম পি এল এ দি এফতা এম পি অমনা তৌগদবা অসি চুম্নতগী থবক অদু রিকমেন্দ তৌবতনি। মদু দি সি, ইঞ্জিনিয়ারশিং অদুনা তৌগদবনি।

থবক্তনা অমা হাপ্পা অদুগা খুলগা নৎত্রগা মরী লৈনবশিংগা য়ান্নরগা অতোপ্পা হিরম অমদা শেমগৎ শাগৎলগ্গা অদুসু এম পি দগী অয়াবা অমা লৌবা চঙবদুসু লৌরমখিদে। অদুবু পাউচেশিংগী খুখাংদা লৌখৎপা য়াদনা ঐবু লৈখা তানা চিংথবীরে হায়খি।

এম পি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম অসিদগী শুগদবা থবকশিং পূম্নমক লোইনা পার্লিয়ামেন্ট সেসন লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখিগনি। এম পি অমা ওইনা তৌফম থোকপা লোইনা তৌখ্রবনি হায়খি।

মণিপুরগী এম এল এ ময়াম অসিগীসু লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ লৈরিবনি। মসি নিয়ম চুম্না শিজিন্নখি হায়বগী চেরোল পীশিনবা ঙমদ্রবা অমসুং মওং মরিল তাদনা তৌরম্লবদি মীখলদা টিকেট পীদবা অদুগা এম পিসু করিগুম্বা লানলম্লবদি এম পি সু টিকেট পীদবা হায়বসি হৌদোক্লবা হায়রগনি।

মদু নত্তদুনা পংহুন্দা হুন্নরগা পং লাওদা লাওনরগা তৌবদি য়াম্না ফজ দবা অমসুং লৈবাক মচা তাদবা থৌওং অমনি। ঐহাক্না কৈদৌঙেদা অনেম্বা পোলিতিক্স তৌদে হায়খি।

পার্লিয়ামেন্ট সেসন লোইরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা থবকশিং মীয়ামদা ফোঙদোক্লগনি। লোয়নন হৌখিবা চহী কয়াদগী এম এল এ ওইদুনা লাক্লবা কয়া অদুসু মখোয়না করি করি তৌখ্রে হায়বদু দিমান্দ তৌবিয়ু হায়খি।

## ইমোইনুদা থৌনিজবা, চাউবী চারা চীন্দম্বা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মীতৈ লাইনিংবু থাজবা মীওইশিংনা ইমা ইমোইনু ইরাৎ–থৌনিজদুনা নুংঙাই–য়াইফনা, ৰাৎত–পাদনা পীবিনবা পুনেমজবগী চংনবী অসি ঙসিফাওবা লৈরি।

ইমোইনু ইমানা কৈথেল কারক্তুনা ইমা অখোমনু, ইমা অরৈনু, ইমা অহোমনু হায়বা শাইওনবু ঙসিফাওবা তাইবঙনা ইরাৎতুনা অৰাৎ–অপা লৈত্তনা, নুংঙাই য়াইফনা, চাউহোং–ঙাহোংনা, ইপারি–ইমোম পূন্সি নুংশাংনা, ইরম–খোংলম শেংনা (ফনা), ইঙেন কুমখাইবদা তাইবঙ চারা খাইবীরম্মু হায়না চহী খূদিংগী ইঙেনগী হুমনি পানবা নুমিৎতা ইরাৎনৈ।

ইঙেনগী হুমনি পানবা য়াইফরবা নুমিৎ অদুদা ইমোইনু ইমানা থোংখি হায়না থাজনবা 'চাউবী চারাবু' তাইবঙ য়েক শলাই পুম্বদা য়েনদুনা ইরাৎ থৌনি তৌজবগী থৌরম ঙসি খ্বাইরক্পন্দ কৈথেলদা পাঙথোকখি।

হায়রিবা থৌরম অদু খ্বাইরক্পন্দ ইমা কৈথেলগী ইমা কোনসাবী (অতিয়া মরু শিদবী), ইপা মীতৈ লম্পু নিংথৌ (অতিয়া মরু শিদবা) অনীগী মফমদা 'চাউবী চারা' লুক্লেন মথেল হৌবগা লোয়ননা হৈরাং লৈরাং কৎতুনা অমদি মৈবী–মৈবা লাংদুনা কংলে মীয়াম্না থৌনিজখি।

খ্বাইরাক্পন্দ ইমা কৈথেল মরিগী ইমাশিং, লাইনিং অমদি ইনাৎ য়োকখৎপা অপুনবা মালেম (লোইয়াম) কংলৈপাক্না শীন্দুনা পাঙথোকপনি। ইঙেন থা অসি লাইগী মশিনদা 'চাউবী চারা চীন্দম্বা' অসি য়াম্না মরুওইবা লাইগী মশিনশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি।

তাইবঙপানদা হিংলিবা থৱাই পানবা খূদিংমক চাদনা হিংবা য়াদে। অদুনা মালেম লৈশেমলোনদা শলাইরেন শিদবা ইপানা নমু তাইবংবু পলেম ইমাগী অথোইবা হৈরাংখোইনা (মমাগী শঙ্গোম) চীন্দম্বদগী তাইবং চারা নোংখাইখি। তাইবঙবু শেম্বীবা শলাইরেন ইপানা হিংনা (থোংদনা) চাবা য়াবা মরম ১০৮, মুন্না থোংদুনা চাবা য়াবা মরম ১০৮, অখাবা, অশিনবা, অয়াকপা, অথুম্বা, ওইনম্বা মরমশিং (পোৎলমশিং) অহোং–অচাও কয়া পুথোকখি হায়নরি।

ইমা ইমোইনুবু অহোং–অচাও ঙ্গী অমদি লনগী লাইরেম্বী ওইনা পুথোকখিবনি হায়নসু পল্লকখি।

## লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুঙগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মীতৈ ফুরুপকী হৌরকফম মশক তাক্লিবা মীতৈ ঐখোয়গী শক্তম ওইরিবা সনামহি লাইনিং অসিবু মুৎখিবা য়াদে হায়দুনা হিংগৎ ইহৌগা লোয়ননা মালেমগী ফমবাক্তা পুখৎতুনা মীয়ামদা শকতাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লাইনিংথৌ সনামহি সনা পুঙ (এল এস এস পি) গী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুঙগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনবগী মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং হৌজিক হৌজিক ওল মণিপুর ৱুমেন্দ ৰেলফিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টসু পুরিবা ৰাইখোম বোরমনি লৈমনা এল এস এস পিগী প্রসিদেন্ট, ইমা কুঞ্জরাসি লৈমনা ফাইনান্স সেক্রেটরী, য়ুম্নাম ওংবী শ্যামা লৈমনা জোইন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরী নিংথৌজম সরতকুমার মীতৈনা মেনেজমেন্ট সেক্রেটরী অমসুং ৰারেপ্পা নামৈরাকপমচানা পব্লিসিটি সেক্রেটরী ওইনা নৌনা পুনবা খনখি। লোয়ননা ফমখিবা মীফম অদুদা অমতা ওইনা য়ানদুনা নৌনা ফম পুখ্রবশিং অদুনা অহানবা লৌখৎলকপা থৌদাংগী থবক থৌরম অমা ওইনা থা অসিগী ২১ নোংমাইজিং নুমিৎতা মীতৈগী কলচরেল অমদি ট্রেদিসনেল দ্রেসকী মতাংদা শেমদোকপা য়াবা য়াদবগী মরমদা অচৌবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অমা অখঙ–অহৈশিং অমদি মসিগী মতাংদা লৈবাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা পাঙথোক্লবা ৰারেপনখি ।

এল এস এস পি কী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা ৰাইখোম বোরমনি লৈমনা পাউমীশিংদা হায়, লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুঙ (এল এস এস পি) না চহী তরুক চুপ্না কঙলৈ খুন্নাইগীদমক য়াইফনবা ইনাৎ লাইনিংবু পুদুনা মচোই–মচোই তারুরবা কংলৈ মীয়ামবু অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নবগী থবক থৌরম অসি লমদমসিদা লৈরিবা ইমা ওইবশিংনা মশক খঙবা লূপ অমা ওইরে।

এল এস এস পি না তৌরক্লিবা খুন্নাইগী থবক থৌরমশিং অসিদা লমদমসিদা মমা ওইরীবীশিংনা য়েংশিনফম অমসুং শৌগৎফম থোকই। মরম অদুনা মমা অমা ওইবগী লমদমসিগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌনবগীদমক পীরিবা থৌদাং অসিনা ইরৈবাক অসিবু কনজনবা হোৎনরগনি। লৌগদৌরিবা থৌদাং অসিদা চঙশিল্লকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তা মীয়াম্নসু ইশা–ইশাগী থৌদাং নি খনবীদুনা শরুক য়াবীয়ু শৌগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

## নেস্লেল হায়ৰেশিং পুং ৪৮ সটদাউন্দগী খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর সেলেক্তেদ ২০০০ কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (সিভিল মেল) ২০১৩ বেটচ না শীন্দুনা সেলেক্তেদ কেন্দিদেটশিং অসিগী এম্পোইমেন্ট লেটর পীবিদবগী মায়োক্তা ঙসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্মুনিটি হোলদা ৰাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর সেলেক্তেদ ২০০০ কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (সিভিল মেল) ২০১৩ বেটচ কী প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম বিনয়না হায়খি, পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা কেন্দিদেটশিং এম্পোইমেন্ট লেটর পীবিয়ু হায়না অনীরক মতম থাখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা ওইথোকপা য়াবা ৰাফম অমা ফাওবা ফোঙদোরকপা লৈতে। মরম অসিদগী কেন্দিদেটশিং অসিনা পেন্দবগা লোয়ননা ৰাকৎ মীফম অসি ফমজবনি। ৰাকৎ মীফম অসিদা সেলেক্তেদ কেন্দিদেটশিংগী গরজি য়ানশিংসু শরুক য়ারি।

মীফম অসিগা মরী লৈননা চৎলিবা থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্না কেন্দিদেটশিং অসিগী এম্পোইমেন্ট লেটর পীবিদ্রগদি মথংগী নুমিৎ জুলাই ৯ দগী ১০ ফাওবা পুং ৪৮গী স্টেট অসিগী নেস্লেল হায়ৰেশিংদা টোটেল সুটদাউন্দ তৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা কেন্দিদেটশিংনা লেপ্পরে। খোঙজং অসি পুলিস কন্সটেবলগী রিক্রুইমেন্ট অসিদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেট খূদিংমক্না শৌগৎকনি। মসি ফাওবা লৈঙাক্না কেন্দেদেটশিং অসিগী খনবীদুনা ওইথোকপা য়াবা ৰাফম থম্লক্তবা তারগদি রিক্রুইমেন্ট অসিদা খল্লবা কেন্দিদেটশিং অসিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখা তাবা করি খোঙজং চঙশিনবা য়াগদগে হায়বদু খন্নগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## চীফ মিনিষ্টরনা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মশক খঙদবা মীওই খরনা থা অসিগী ৪গী অহিংদা স্কোল টেম্পল ময়াদা খামদুনা থম্বা কাংগী থৌরি মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুবু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

থৌওং অদু শেংলবা স্কোলগী লাইশঙদা ৰর্থ যাত্রগী মতুংদা পাঙথোকপা হোলি রাথকী থৌরম মাং তাকহনবা কনাগুম্বনা হোৎনবনি হায়না লৌই। তোঙান তোঙানবা লাইনিং–লাইশোন চৎপা অমসুং তোঙান তোঙানবা চৎনরোল লৈবা মণিপুরদা কনাগুম্বা খরনা অসিগুম্বা থবক অমা চথরকপসি অচুম্বা নত্তে। ঐখোয়গী মরক্তা লৈরিবা ঈং তম্পা অমসুং অমগা অমগা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী শাংলবা পুৱারী অদু নিংশিংনদুনা থবক তৌমিন্ননবা চীফ মিনিষ্টরগী ও এস টি সুমন সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## খুরাই কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ সুসিলদ্রো...

*লমায় ১গী মখা*

রিজাইন তৌরগনি। এম এল এ অমগী থৌদাং ওইনা লাওফম থোকপগী লাওবনি। কনাগুম্বা লূপ নৎত্রগা মীওই খরনা পেন্দবা লৈরবসু হায়বিয়ু মদু থবক্তা ওন্থোকচগে। নৎত্রগা এম এল এ ওইবদা মতিক চাদ্রে, এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌরো হায়রবসু এম এল এ ফম থাদোকচগে। মদু নত্তনা বোম লংশিনবা, বোম পোকখায়হনবগী থৌওং অসিদি য়ানিংদে। থৌওং অসি মীয়াম্না পুন্না লেপমিন্নদুনা থেংনমিন্নসি হায়খি।

এম এল এনা ফম থাদোক্লগনি হায়খিবা ইকান কানদনা খুরাই কেন্দ্রগী মীওই কয়া থোক্লক্তুনা এম এল এ ফম থাদোকপা য়ারোই হায়বা লোয়ননা লম্লোং কৈথেল লম্বীদা টয়ার মৈ থাদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী খুরাই কেন্দ্রা বি জে পি মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট থোংবম চাওবনা পাউমীশিংদা হায়, বোম পোকখায়খিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এনা ফম থাদোক্লগনি হায়বসি য়াম্না পেন্দে। মহাক মীয়াম্না য়ারগা থাগৎখিবা কেন্দ্রা অসিগী মীহুৎনি। মহাক রিজাইন তৌবা য়ারোই।

এম এল এদা থোক্লক্কদবা অফ–ফত্তা খুদিংমক মহিলা মোর্চা অমদি মীয়ামগা পুল্লগা ঙাক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এন বিরেনগা টি ঐচ বিশ্বজিৎকা দেজদা...

*লমায় ১গী মখা*

পার্টিগীদমক লৈখিগনি অমসুং তোঙান তোঙানবা ইশু ময়ামগী ৰারোইশিন শোয়দনা লাক্তবা য়ারোই। মদুদা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তনি হায়বা ৰাখলগা লোয়ননা পুন্না চৎমিন্নদুনা হেন্না ফবা অমসুং হেন্না চাউখৎপা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না আপীল তৌখি। পার্টিগী ইমুং মনুংদা ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইনদবা লৈবা য়াই অদুবু মদুমক্তনা মতম শাংনা চৎকদবা নত্তে। ৰারোইশিন অমদি শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা চপ চান লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী এস টি মোর্চাগী নেসনেল প্রসিদেন্ট রামভিচার নেতমনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী চাউখৎ খোঙথাংগীদমক থবক লৌখত্তুনা লাক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনখিবা অদুমক্তনা অৱাং নোংপোক্তা সিট মশীং য়াম্না ফংদুনা অনীশুবা তার্মগী লৈঙাক শেমখিবনি। নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা অরানবা মরাল কয়া শিজিনলকপদা মীয়ামদা শাওদুনা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা পার্টি অসিদা ভোট পীবিদুনা লান্না শন্দোক্লিবশিং অদু পরা তম্বীখিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা হায়, লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা বি জে পি নত্তনা অতৈ আইদিওলোজি অমগী মখাদা চৎপা পোলিটিকেল পার্টি লৈতে।

হৌজিক নিউ ইন্দিয়াগী পান্দম অমা লাক্লিবা অসি লোয়ননা লৈবাক অসিদা মেম্বর লাক্ষ ৫.৫০ হেন্না লৈরিবা অসি লুচিংবা অনী অসিগী হোৎনজমনগীনি হায়খি। ঙসিদগী হৌদুনা চংখগদৌরিবা মেম্বরশিপ দ্রাইভ অসি হেক লোইবগা পার্টিগী ওর্গনাইজেস্লেল ইলেক্সন তৌগদৌরি হায়খি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার অমসুং এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামসু শরুক য়াখি।

## ৱার্ক প্রোগ্রাম থা অসিগী মনুংদা লোয়শিন্নবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরীশিংদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ডিপার্টমেন্টশিংগী ২০১৯–২০গী ৱার্ক প্রোগ্রাম চৎলিবা জুলাই থা অসিগী মনুংদা শেম–শাবা লোইশিন্দুনা প্লান্নিং ডিপার্টমেন্ট অমদি ফাইনান্স ডিপার্টমেন্টতা পীশিনবা চীফ সেক্রেটরীনা ডিপার্টমেন্টশিংগী এডমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরীশিংদা খঙহনখ্রে।

মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্টর (এম এ আর এস এ সি)গী ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগা মরী লৈননা ডিজিটেল ইনফোর্মেসনশিং সিয়ারিং তৌবা অমদি লাইন ডিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা স্কিল ডিভলপমেন্ট অমদি ৰেলফিয়ার প্রোগ্রামশিংগী বেনিফিসরি সেলেক্সনগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরীনা চিয়ার লৌদুনা এডমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরীশিংগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৰাফম অসি খঙহনখিবনি।

মীফম অদুদা এম এ আর এম এ সি শেম–শারবা ডিজিটেল ইনফোর্মেসনশিং শন্দোক্না তাকখি। হৌজিক ফাওবদা এজেন্সি অসিদা লৈরবা ডিজিটেল ইনফোমেসনশিংগী মনুংদা মণিপুর পূম্নমক্কী লেন্দ য়ুজ সর্ভে, ৰেষ্ট লেন মেপ্পিং,লেন্দ য়ুজ মেপ্পিং,লেন্দ য়ুজ মেপ্পিং,লেন্দ ডিগ্রেটেসন মেপ্পিং য়াওবা নেচরেল রিছোর্সেস সেন্সন, কিহোম থাবা য়াবা মফমশিংগী মতাংদা জিওমেট্রিক সাইন য়াওবা কো ওর্দিনেটেদ হোর্টিকিলচর এসেসমেন্য, রাজিভ গান্ধী নেসনেল ড্রিঙ্কিং ৱাটরঃ মিসন (ফেজ ফাইভ)গী মখাদা গ্রাউন্দ ৱাটর ক্বালিটি মোনিটরিং নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মখাদা লেন্দ স্লাইদ, ঈশিং ঈচাও অমদি য়ুহার হাবগী মতাংদা ডিজাষ্টর মেনেজমেন্য সিষ্টেমনচিংবা য়াওরি।

মীফম অদুনা চীফ সেক্রেটরীনা কম্মিস্নার (পি ঐচ ই ডি)দা এজেন্সি অসিগা খূৎশন্নরগা অনেম্বা মফম অনী খন্দোক্লগা থরুবা ঈশিং লৌথোকপা য়াৱা য়েংনবা খঙহনখি।

মহাক্না মখা তানা এডমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরীশিংদা ডিপার্টমেন্টকী মীহুৎ অমমম থাদুনা এজেন্সি অসিদা লৈরিবা দাটাশিং শীজিন্নবা য়াগদ্র হায়বদু য়েংননবা খঙহনখি।

স্কিল ডিভলপমেন্ট অমদি ৰেলফিয়ার স্কিমগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরীনা মরী লৈনবা এডমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরীশিংদা স্কিল ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংগী ফন্দগী লিখুন,হৌজিক ফাওবদা ফঙলবা শেনফম শীজিন্নখ্রবা শেনফম,ত্রেন্নি মশীংনচিংবা অকুপ্পা ৱারোল খঙহল্লক্লবসু খঙহনখি।

## 'বোম পোখায়হনবদা চেন্নবনি চিংনবা অনি ফারে'

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং পুসিলনা কোনবা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী হেক মমাঙ থংবা খাবম চুম্ব্রেথোংদা লৈবা গোদাউন অমদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা বোম পোখায়খিবা থৌদোক্তা চেন্নবনি চিংনবা আর পি এফ অনী ফারে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরমসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি জোগেসচন্দ্রনা হায়, ঙরাং বোম পোখায়খিবগী পাউ হেক ফংবগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দা, হৈঙাং পুলিস অমদি ১৫শুবা আসাম রাইফলসকী টিম অমগা পুল্লগা মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদা থিবা হুম্বা চথখি। মদুদা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী মনিংথংবা শরুক্তা লৈবা এন আর এল ওইল পম্প অমদি ঐচ পি ওইল পম্প অনী অসিগী মনাক্তা চিংনিঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্বা মীওই অনী নুমিদাং পুং ৬.২০ রোম তাবা মতমদা ফাখি। ফারবা মীওই অনী অদু ৱাহং পাউহং তৌবদা লালহৌলুপ আর পি এফকী শেল্ফ স্টাইল কোর্পোরেল জিরি নিংথেম খুনৌদগী মাইবম কিয়াম্বা এলাইজ সুনিল (৩২) অপোকপা এম কালিমোহোন কৌবা অমগা অমদি লালহৌলুপ অসিগী ওভর গ্রাউন্দা লৈবা খুরাই চিঙাং লৈকাইদগী হৌজিক্না খুরাই অঙোম লৈকাইদা লৈবা থৌদাম প্রেম সিংহ এলাইজ প্রেমচান্দ (৩৫) অপোকপা নন্দবাবু কৌবা অমগনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

ফারবা কিয়াম্বা অমদি প্রেমনা হায়দোকচরকপগী মতুংইন্না খাবম লমখাইদা লৈবা দুকান অমদা দিমান্দ তৌখিবা লুপা লাক্ষ অনিগী শেনফম ঙরাং লৌবা লাকখিবনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়খি।

এস পিনা হায়, মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদা মখাদা থিবা হুম্বা চথবদা লম্বী মতাইদা চেনা য়োন্নগা থম্লম্বা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ৫, ৩৬ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, একে রাইফল মরু ১৩, দিটোনেটর ৩ অমদি হেন্দ গ্রেনেদ লিবর ৩ ফংবা ঙম্লে। ফারবা কিয়াম্বা অমদি সিম কার্দকা লোয়ননা মোবাইল ফোন ৩, মনি বেগ অমা, টাটা নেনো কার এম এন ০১৫–১৫২৮ অমদি সিম কার্দ ৩ অমসু ফাংলে।

ফারবা কিয়াম্বা অমদি প্রেম বোম পো–খায়হনবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরমগদ্রা হায়বগী চিংন্নবা লৈ। মখোয় অনীগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নবগা লোয়ননা থিগৎপগী থবক কন্না চথরি হায়না এস পিনা মখা তানা হায়খি।

## ওদিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মেগা ইন্টরটেনমেন্ট গুৱাহাটিনা শীন্দুনা চহী অসিগী ওগষ্ট ৮দগী ৯ ফাওবা গুৱাহাটিগী আই টি এ কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদবা সনসিলক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯ (১৭শুবা এদিসন) অমসুং গরনিয়র মেন–মেগা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ২০১৯ (১০শুবা এদিসন)দা মণিপুরগী রিপ্রজেন্ট তৌরুগদবা মতিকচাবা কন্সটেন্ট খনবগী ওদিসন ঙসি হোটেল ভৈগোদা পাঙথোকখ্রে।

মেগা ইন্টরটেনমেন্ট গুৱাহাটিগী ষ্টেট ডাইরেক্টর কবিতা কৈশামনা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা ওদিসন অসিদগী মতিকচাবা কন্সটেন্ট ৩ নৎত্রগা ৫ খনগৎলগা মেগা ইভেন্ট গ্রান্দ ফেমেলদা শরুক য়াহনগদবনি। ওগষ্ট ৮–৯ ফাওবা গুৱাহাটিগী আই টি এ কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদবা সনসিলক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯ (১৭শুবা ইদিসন) অসিদা মতিকচাবা নুপী কন্সটেন্ট থাগনি। লোয়ননা গরনিয়র মেন–মেগা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ২০১৯ (১০শুবা ইদিসন) দসু মতিকচাবা কন্সটেন্ট খল্লগা মেগা ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াহনগনি। মহাক্না হায়, সনসিল হায়রিবা কম্পেনি অসিনা চহী ১৭ মপুং ফানা মীয়ামগী সেভা তৌরকপবু সেলেব্রেট তৌবা ওইনা সনসিলক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ২০১৯ (১৭শুবা ইদিসন) অসি পাঙথোকপনি। হায়রিবা মেগা ইভেন্ট অসিদা অসাম, অরুনাচল, মেঘালায়া, মণিপুর, মীজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমদি ট্রিপুরাগী টেলেন্টেদ ওইরবা নুপীমচা কয়ানা শরুক য়াগনি। গরনিয়র মেন –মেগা মিষ্টর নোর্থইষ্ট ২০১৯গী গ্রান্দ ফেমেলদা ৱিন্নর ওইরবা মীশক অদুদ মিষ্টর ইন্টরনেস্লেল খন্নবগী কম্পিটিসনদা ডাইরেক্ট ইন্ট্রি চঙগদৌবনি হায়নসু মখা তাখি।

## 'মাঙখিদদৌরিবা সেলুলোইদ ফিল্মগী নেগেটিবশিং কন্নবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু'

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী প্রোপরটি অমদি হিষ্টরি ওইখ্রবা সেলুলোইদ ফিল্ম কয়াগী নেগেটিবশিং মপাল্লমগী ষ্টিদিওশিংদা য়েংশিনবীদবদগী মাঙখিবা য়াবা ফিভমদা লৈরে হায়না ওল মণিপুর ফিল্ম প্রদুসর এসোসিয়েসনগী স্পোকপার্সন এল সুরজকান্তনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, হৌখিবা কুমজা ১৯৭২দগী হৌনা মণিপুরগী সেলুলোইদ ফিল্ম নম্বা হৌদুনা মীয়ামদা লমদমসিগী ফিল্মগী মহাও ফঙহনবা হৌরকখিবনি। মতমদুদা য়াম্না ৱানা পুথোকখিবা সেলুলোইদ ফিল্মশিং অদু হৌজিক্তি হিষ্টরি ওইদুনা লৈহৌরবনি। মতমগী অওনবা লাকপনা হৌজিক্কী দিজিটেল ফিল্ম লোইনা ওনখ্রে। হৌজিক্কী মতমদা অমুক হন্না সেলুলোইদ ফিল্ম নম্বা হায়বসি অরাইবা নৎতে। কনামতনসু ঙম্লরোই। মতমদুদা ফিল্ম অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা এদিট তৌবা অমদি সাউন্দ দববীং তৌবনচিংবগী শেম্বা খুদিংমক কোলকাতা অমদি মুম্বাইনচিংবগী ষ্টৈদিওশিংদা চৎতুনা ৱানা তৌখিবনি। মতমদুগী মাংখ্রবা ব্লেক ৱাইটকী সেলুলোইদ ফিল্মগী নেগেটিবশিং অসি অয়াম্বনা হৌজিক হৌজিক ৱেষ্ট বেঙ্গল ফিল্ম দিভলপমেন্ট কো ওপরেসন রুপায়ান ফিল্ম লেবোরেটিরিদা লৈরিবা সেলুলোইদ ৩০গী মথক্তা লৈরিবসি নিংথিনা থম্বীদবা অমদি মপু পানদবদৌনা লৈরিবা নেগেটিবশিং অসি অথুবদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। নৎত্রবদি তুংগী মীরোলশিংনা সেলুলোইদ ফিল্মগী পুৱারী থিগৎনবা লীক্লম মাঙখ্রগনি অসিদা নৎতনা মুম্বাইগী ফিল্ম লেবোলেটরিদসু সেলুলোইদ ফিল্মগী নেগেটিব খরা লৈরি। মসিসু য়াওনা লৈঙাক্না অথুবদা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়বা ফোঙদোকখি।

## অশেংবা ইহুলনা থম্মোই খুদম চল্লিঃ ডা যোদ্ধচন্দ্র

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লি, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর অমসুং তেললৌ চানা শৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টনা পুন্না খূৎশম্নরগা লমলাইদা লৈবা নুংশিকোল পার্কতা গ্রামালোক পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা আইবা ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা হায়, থম্মোয়দগী থোরকপা ইহুন, ৱাহে–ৱাতা অসি লিটরেচরনি। মীওইবগী থম্মোয়দগী থোরকপা অদুগুম্লবা ইহুল অমদি ৱাখল্লোন অসি ফোঙদোক্লবগীদমক্তা ফজবা ৱাহে–ৱাতা শিজিন্নবা মথৌ তাই।

ফজবা, নিংজবা, তাবা নুংঙাইবা ৱাহে–ৱাতানা মীওইবগী পূক্লিং শুমহৎপা ঙম্মী। মীওইবগী থম্মোয়বু খুদুম চন্নবদা লিটরেচরনা চাউরবা থৌদাং লৌই। হৌজিক অসি হিংবদা য়াম্না লুরবা মতমনি। কাংলূপ অচৌবনা কাংলূপ মচাবু নৈহৎপা–লাকথুবীবা, অরুবনা মতাইদা অদুগা অনৈবনা ময়াইদা চেল্লি হায়বদুগী তঙ্গনি। অসিগুম্লবা ফিভম অসিদদি মীওইবগী পূক্লিংবু খূদম চন্নবগীদমক মতিক–ময়াই চেনবা লিটরেচর য়াম্না পুথোকপা মথৌ তাই।

অফবা লিচৎ–শাজৎ চৎহনগে নৎত্রগা খুন্নাই অমবু অফবা মায়কৈদা লমজিংবদা লিটরেচর চঙই।

মালেমদা খুন্দামিন্নরিবা মীওইবা খুন্নাইনা নুংশি–চাননা, অমত্তা ওইনা, হ্যুমেন অন্দরষ্টেন্দিং লৈননা হিংমিন্নবা ঙম্নবগীদমক্তা জাতি খূদিংমক্কী লিটরেচর অসি ইশা ইশাগী লোনদা ট্রান্সলেসন তৌগদবনি। ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইদা অমনা অমদা ঙাকলৌপিবগী চৎনবী অসি উবা ফঙলকখ্রে। মসি অফবা খুদম নত্তে হায়নসু মখাতাখি। থৌরম অদুদা লাইময়ুম রামেশচন্দ্র, ওকেন্সানা ওইনাম, এস লাকপাটি মঙাঙ, সলাম সুন্দর, সনাতোম্বা এ সি অমসুং ও সি মৈরানা শৈরেং পাখি। মণিপুর লেঙ্গুয়েস এদভরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমীগী কনভেনর এন কিরনকুমারনা থৌরম অদুগী চিয়র লৌখি।

## নিলসালঃ ঈশিং পীবা য়াবগী সোর্ছ লৈবা লৌফমশিংদা ঈশিং পম্প পীবিয়ু

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ লৈঙাক্না লমদম অসিগী ঈশিং ফঙদ্রিবা লৌফমশিংদা ঈশিং পম্প শিজিন্নদুনা ঈশিং ফঙহনবা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি ঈশিং পীবা য়াবগী সোর্ছ লৈবা লৌফমশিংদা ঈশিং পম্পশিং পীবিয়ু হায়না নোংপোক ইম্ফাল লৌমী–শিন্মী অপূনবা লূপ (নিলসাল) ইম্ফাল ইষ্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা নিলসালগী প্রসিদেন্ট ঐচ ইবোহলবীনা হায়খি, মণিপুরদা মতম চানা নোং চুদবনা মরম ওইরগা ঈশিং ফঙদবদগী লৌ পনবা য়াদদুনা মীয়াম ৱাদুনা লৈরিবা অসিদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা লৌফমশিংদা ঈশিং পম্প পীদুনা ঈশিং ফঙহনবগী খোঙথাং অসি অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু লৈঙাক্কী অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদা ঈশিং পম্প পীবা মতমদা ঈশিং পীবগী সোর্ছ লৈবা মফমশিংদা পীহন্নিং। ইম্ফাল ইষ্টকী লৌফমশিং নোংগী ঈশিং মরাং কাইনা ফঙদ্রগসু তুরেলদা ঈশিং চীংখৎতুনা ঈশিং ফঙহনবা য়াবা লৌফম ঙাক্তনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা লিভর লিফ ইরিগেসন (আর এল আই) ১৮শুবা অমত্তা মথৌ তৌদ্রে। মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌফমশিং অমদি লৌমীশিংগী অৱাবা খঙবীদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা লৌফম লৌফমদা চৎতুনা লৌমীশিং উন্নদুনা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি লৌমীশিং হেন্না অৱাবা মায়োক্লগনি। লোয়ননা হৌজিক লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংদা ফঙহল্লিবা অহোংবা মমলগী ফৌদি অসি পাট্টা পায়বা লৌমীখক্তদা পীরি। পাট্টা পায়দবা লৌশাল উবা লৌমী মীয়ামগীদমক লৈঙাক্না করি করম্বা থৌশিল লৌখৎলিবগে। হায়রিবা লৌমীশিং অসিগী ওইনা লৈঙাক্না পীরিবা অহোংবা মমলগী হার করম্বা মতমদা ফঙহনগদৌরিবনো। অমরোমদা লৌমীশিংগী ওইনা লৈঙাক্না পীরিবা স্কিমশিংগী কান্নবশিংসু পাট্টা পায়বা লৌমীখক্তনা ফঙলি। তশেং–তশেংনা লৌশান উজবা লৌমীশিংগীদি কান্নবশিং অসিগীদি ফঙফম থোক্তবরা। মথং চহীগী চাথোক কোন্নবা পুথোকপা ঙম্লরোই হায়বগী মীপাইবা লৈরিবা অসি কোকহনবা লৈঙাক্না লৌখৎপীয়ু।

## লোক অয্যুক্তগী ওফিসিয়েলশিং হাপখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ টি রঞ্জিৎ (আই এ এস) মহাক্না হৌজিক পুরিবা ফম অসিগী মথক্তা মণিপুর লোক অয্যুক্তগী সেক্রেটরীগী থবকসু পুরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না ঙসি চেরোল অমা থোকখ্রে। লো সেক্রেটরী নুশিতোম্বী অথোকপমনা ডাইরেক্টর (প্রোজিক্যুকেসন), মণিপুর লোক অয্যুক্তা অহেনবা ওইনা পুরগনি। কে রধাশ্যামনা পায়রিবা ফম অদুগী মথক্তা ডাইরেক্টর (ইঙ্কারি) মণিপুর লোক অয্যুক্তা অমসুং ঐচ বালকৃষ্ণনা দিপ্যুটি রেজিষ্টর, মণিপুর লোক অয্যুক্তগী অহেনবা থবকশু পুরগনি হায়রি।

## ফাখিবা ভিল্লেজ...

*লমায় ১গী মখা*

অঙাংবা মচুগী বোলেরো অমদা হাপ্লগা পুখ্রবা মতুং বোলেরো অদু মৈ থাদোক্লগা দি ভাইসোন ভিল্লেজ রোমদা মখোঙনা চৎখ্রে হায়বগী পাউ ফংখি। পাউ অদু হেক ফংবগা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পি লুচিংবা টিম অমনা ২৫শুবা আসাম রাইফলসকী টিম অমগা পুল্লগা জামখোট ভিল্লেজ এরিয়াদা থিবা হুম্বা চথখি। অমদি মখা তানা খুৎলাই পায়বশিং অদুনা চৎলমগনি চিংনবা মোংকোং ভিল্লেজগী এরিয়াশিংদা কোইশিল্লগা থিবা হুম্বা চথখি। ঙসি অয়ুক অহেনবা পুলিস টিম চংশিল্লক্তুনা পাক শন্ননা থিবা হুম্বা চথবদা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা গেলমোল অমদি তৈশেং ভিল্লেজ মরক্কী নেপালি বষ্টি মনাক্তদগী লালবোই লুহংদিমবু কনবা ঙমখিবনি। মহাকপু ফারুরিবা খুৎলাই পায়বশিং অদুদি ফাবা পুনবা লৈত্রি। অদুবু মখোয়শিং অদুবু ফান্নবা চিংনবা মফমশিংদা লেপ্তুনা থিবা হুম্বা চথরি হায়রি।

## লৈঙাক্তা চরাংনবসি গভর্ণরনা মীৎয়েং চংবা মতম ...

*লমায় ১গী মখা*

অকায়বা পীরকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকপা অসি লাইবক থিবনি। মীয়ামগী সেবা তৌনবগীদমক দায়ত্ব অদু খুৎশিন্নরগা থবক তৌনবা হায়বা মতম অসিদা মখোয়দা শিন্নরিবা থৌদাং অদু পাঙথোক্লক্তবা অসি লাইবক থিবনি।

হৌজিক মীয়াম্না নোং চুরক্তবনা মরম ওইরগা লৌ পানবা য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা, ইকং থোক্কদ্রা করি তৌগনি হায়না খন্নদুনা মীপাইনবা ফিভম অমদা লাক্লিঙৈ অসিদা মখোয়না মদু নাথৈরগা থম্লগা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরক্তবা অসি লাইবক থিবনি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক য়াওদবগুম তৌরে, লৈঙাক অসি চরাংনবা ফিভম অমদা লৈরে। মরম অসিনা লৈঙাক্তা লৈরিবা মিনিষ্টর এম এল এশিংনা ঐ ঐদা মীয়াম্না শিন্নরিবা ইথৌদাং অসি নাথৈরগা থম্লগা মশা মশাগী ওইজবা খরগী ফম তান্নবগুম্না তৌবা অসি তৌবিগনু হায়খি।

কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীদুনা মীয়ামগী অৱাবা অসি কোকহন্নবা হঞ্জিন হঞ্জিন আপীল কয়া তৌখ্রে। থোক্লিবা ৱাথোক অসি ইমুং মনুংগী ৱাথোক্নি হায়রবসু ইমুং মনুং খৎনবদা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদা য়েংদুনা লৈবা য়াদবগুম্বা মীয়াম্না তুমিন্না লৈথোকপা ঙম্লক্তবা তাঞ্জা অদু য়ৌরক্লে হায়খি।

গাইখাঙমনা মখা তানা হায়, লৈরিবা ফিভম অসি য়েংলগদি মোন্সুন সেসন অসি মতম চানা কৌহন্নিংই। লৈরিবা ফিভম অসি য়েংলগদি সেসন অসি খরা ফাওবা ঙনখৎনা কৌরগা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

হৌজিক লমদম অসিদা ফম মুন্নবগী ইরাং অসিনা লৈঙাক লৈবগী মমি তাদ্রে। ফিভম অসি য়ৌরক্লবনিনা গভর্ণর অমসুং সেন্টরনা মীৎয়েং চংহন্নিংই। হৌজিক লৈঙাক অসি শুক্লে লৈত্রে হায়বা য়ারে। সিষ্টেম খুদিংমক লোইনা কিক্সরক্লে। মখোয় মশেলগী ৱাথোক্লা মীয়াম্বু চৈরাক পীবগুম তৌবা অসি তৌহন্নিংদে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মতাংদা গাইখাঙমনা হায়, এম পি সি সিগী পার্মনেন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বা উচেক্কোন তাখোক মপান্দগী সনসম কোইরেং সিংহ,দ্রাইভর ওইনা থবক তৌরম্বা ৱাখ্রে তোকপম লৈকাইদগী গোসাইময়ুম সুরেস শর্ম্মা অমসুং দ্রাইভর ওইনা থবক তৌরম্বা খুরাই পুথিবা লৈকাইদগী পুখ্রম্বম মোধু সিংহনা পার্টি অসিদা থবক তৌরকপা মতমদা লৌরম্বা থৌদাং অদুবু শকখঙবা ওইনা পার্টিগী মায়কৈদগী অঙম্বা খুদোল খরা তম্বনি।

মখোয়না অৱা অনা কয়া মায়পুনদুনা থবক তৌমিন্নরম্বা মীওই অহুম অসিনা ঙসিদি হকচাংগী ফিভম চারক্তবা, অনা অয়েক য়াওশিল্লকপদগী তাঞ্জা চাবা অমদা মসি পীসি হায়নদুনা লাকপদগী ঙসি অসি পীবনি। মখোয়গী মশাদা লৈরিবা অনা অয়েক খুদিংমক অদু অথুবা মতমদা কোকপা ওইরসনু হায়খি।

মখোয়না পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্বা মপুনা পীনবীসনু হায়খি। ঙসিগী উন্নবা অদুদা মীওই অহুম অসিদা পার্টিগী মায়কৈদগী শেল, ইনফি অমা অমসুং শকখঙচে অমা খুদোল তমখি।